# ইন্দিয়া ওপন ২০১৭ : এক্সেলসেননা টিন চেন চৌবু মায়থীবা পীদুনা মেন'স সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে





ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৩ :
দেনমার্ককী ভিক্টর এক্সেলসেননা মফম অসিদা চঙখিবা ইন্দিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী টিন চেন চৌবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

সিরি ফোর্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চঙখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা অহুমশুবা সীদ এক্সেলসেননা চৌবু মিনিট ৩৬ চঙনা শান্নখিবা অদুদা ২১-১৩, ২১-১০ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা ইন্দিয়া ওপন টাইটল লৌখি।

মেচ হেক হৌখিবগা দেননা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মায়োক্লখিবা চৌবু লাকশিন্দুনা থমখি। মেচকী অয়াম্বা মতমদা চাইনিজ টাইপৈগী শট্টলরনা মহাক্কী ওপোনেন্টকী পাউখুম পীনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি।

এক্সেলসেননা তকশিন্না শান্নখিদুনা অহানবা গেম অদু ২১-১৩ দা মায় পাকখি। অনীশুবা গেমদা এক্সেলসেননা তপ্না শান্নরকখি। চৌদি অথুবা স্পীদতা শান্নরক্তুনা ৫-০ দা মাঙজিল থাখি। এক্সেলসেননা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা শান্নরকখিবগা লোয়ননা ষ্ট্রেট পোইন্টখরা লৌখিদুনা ব্রিক ফাওবদা ১১-৬ তা মাঙজিল থাখি। মখা তানা দানিশকী শট্টলরবু নক্কৎপা ঙমখিদবদগী এক্সেলসেননা ২১-১০ দা মায় পাকখি।

নুমিৎ অসিগী অঙনবা মতমদা শান্নখিবা মেচতা তরেৎশুবা সীদেদ জপানিজগী দো শিহো টানাকা অমদি কোহারু য়োনেমোটোনা অহুমশুবা সীদেদ কম্পেট্রিওট নাওকো ফুকুমান অমদি কুরুমি য়োনাওবু ১৬-২১, ২১-১৯, ২১-১০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিমেন'স দবলস টাইটল লৌখি।

অতোপ্পা মেচতা চিনাগী টোপ সীদ সিৱৈ ঝেং অমদি ক্বিংচেন চেননা কন্ট্রিমেট অমদি অনীশুবা সীদ লু কাই অমদি হুয়াং য়াক্বিংবু ২২-২৪, ২১-১৪, ২১-১৭ তা মায়থীবা পীদুনা মিক্স দবলস টাইটল লৌখি।

পনবা য়াই, এস ইন্দিয়া বেদমিন্টন ষ্টার পি ভি সিন্ধুনা ইন্দিয়া ওপন ২০১৭ সুপর সেরিজ ইভেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেচতা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিনা মারিনবু ২১-১৯, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবনি।

কুমজা ২০১৬ কী রিও ওলেম্পিক্সকী ফাইনেলদা মারিনগী মখূৎতা মায়থীহৌখিবা সিন্ধুনা ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুদা মারিনবু মায়থীবা পীখিবা অসিনা লমন খুম্বা ওইনা থোকখি।

শ্রীফোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা মেচ অদুদা য়াম্লবা হোম ক্রাউদশিংনা সিন্ধুগীদমক সপোর্ট তৌদুনা থৌগৎখি। ঙসিগী মায় পাকখিবা অসিনা সিন্ধুনা কুমজা ২০১৬ তা চিনা ওপনগী টাইটল লৌখ্রবা মতুং মহাক্কী অনীরকশুবা সুপর সেরিজগী মায় পাকপসু ওইখি।

মেচ অদুগী অহানবা গেম হৌখিবগা সিন্ধু অমদি মারিননা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা কৃক-কৃক ইন্ননা শান্নরকখি। মখোয় অনীগী অকনবা লম্বা তৌনখিবা অদুদা অনফোর্স ইররশিং মায়োক্লখি। সিন্ধুনা যূম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা অহানবা গেম অদু ৬-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মারিন্না নিংথিনা খুৎ হন্দুনা শান্নরক্তুনা পোইন্টশিং লৌখিবগা লোয়ননা মেচ অদু মখা তানা শান্ননবগী খুদোংচাবা লৌখি। স্পানিয়ার্দ অদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা থংনা থংননা পোইন্ট অহুম লৌখিদুনা ফীভম ফনা লৈখি। অদুবু সিন্ধুনা মথক থংনা চৎখিদুনা ২১-১৯ দা মায় পাকখি। অনীশুবা গেমদা সিন্ধুনা মখা তানা অফবা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা স্পানিয়ার্দপু নমহৎতুনা ২১-১৬ তা মায় পাকখি।

# পি সি বিগী চ্যেরমেন শাহরয়ার খাননা মহাক্কী ফমদগী পোত্থারগনি

করাচি, এপ্রিল ০৩ :
পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) কী চ্যেরমেন ওইরিবা শাহরয়ার খান্না মহাক্কী ফমদগী রিজাইন তৌবগী অইবা চেরোল মরী লৈনবশিংদা পীশিনখিবগা লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) গী চহীগী কনফরেন্স লোইরবা মতুংদা ফম থাদোক্লবা য়াই।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পি সি বিগী মেম্বরশিংগী মীফম অমা মহাক মশা য়াওনা পাঙথোকখ্রবা মতুং মশাগী চহী ৮৩ শুরবা শাহরয়ার খান্না মহাক্লা চ্যেরমেন ফমদগী থাদোক্কদৌরিবা অসি মহাক মশাগী লন্নাইগী ওইবা মরম য়াওনা হকচাংগী ওইবা ফীভমদগী ৱারেপ লৌবনি হায়না পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

পি সি বিগী চ্যেরমেন শাহরয়ার খাননা হায়খি, ঐনা চ্যেরমেন ওইবগী মতম অসি চহী অসিগী ওগষ্ট ১৮ দা লোইরে অমদি ঐ ফম অসি থাদোক্লগনি। চ্যেরমেন ওইনবা অমুক হন্না ঐনা মীরেপ ওইররোই হায়বসি ঐনা বোর্দ ওফ গভর্ণরগী মেম্বরশিংদা খঙহনখ্রে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

দিপ্লোমেটকী কেরিয়রদগী হৌরকখিবা শাহরয়ার খান্না কুমজা ২০০৩ অমদি কুমজা ২০০৬ কী মরক্তা পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দকী চ্যেরমেনগী থৌ পুরম্বদা নত্তনা কুমজা ২০০৪ দা ইন্দিয়াবু পাকিষ্টানদা অহানবা ওইনা টুর লাকহনখিবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। শাহরয়ার খান্না ইন্দিয়াদা পাকিষ্টানগী হায় কম্মিস্নর ওইনা লৈরমখি।

মমাঙদা চ্যেরমেন ওইরমখিবা নাজম সেথিনা শাহরয়ার খানগী মহুৎ শিল্লবা য়ানা লৈরি। সেথিনা হৌজিক পি সি বিগী এক্সিক্যুটিব কম্মিটিদা টোপ ওফিসল ওইরিবনি।

# রোজর ফেদররনা রফেল নদালবু মায়থীবা পীদুনা মিয়ামি মাষ্টর্সকী টাইটল লৌখ্রে



মিয়ামি, এপ্রিল ০৩ :
রোজর ফেদররনা মফম অসিদা পাঙথোকখিবা মিয়ামি ওপনগী মেন'স সিঙ্গলস ফাইনেলদা মতম কুইনগী রাইভেল ওইদুনা লাক্লবা রাইভেল রফেল নদালবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহুম্লকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

মায়থীখিবা অসিনা মিয়ামিদা নদালনা ফাইনেলদা মায়থীবা মঙারকশুবসু ওইখি অমদি মসিগী টুর্ণামেন্ট অসিবু স্পানিয়ার্দ অসিনা টাইটল লৌবা ঙমদবা অমত্তা ঙাইরবা টুর্ণামেন্টসু ওইরি।

কুমজা ২০১৭ কী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন ফাইনেল অমদি কুমজা ২০১৭ কী ইন্দিয়ন ৱেল্লস মাষ্টর্সতা নদালবু মায়থীবা পীখিবা ফেদররনা মহাক্কী কেরিয়রদা অহানবা ওইনা নদালবু ষ্ট্রেটতা মেচ মরি মায়থীবা ঙম্বসু ওইখি। স্পানিয়ার্দ অসিনা স্বিসপু কেরিয়রগী ওইনা ২৩-১৪ দা মায় পাক্তুনা মাঙজিল থানা লৈরি।

টেনিসকী মেজর ৱিন্নর ১৮লক ওইখ্রবা অসিনা অহানবা মেচকী গেম নিপানদা মেচকী অহানবা ব্রিক লৌখি। ফেদররগী ফোরন্দে অদু মেজিককুম মথৌ তৌখিদুনা ৫-৩ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মহাক্লা মথংগী গেমদসু নিংথিনা সার্ভ তৌখি অমদি অহানবা সেট অদু মিনিট ৪৮ চঙনা ৬-৩ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা সেটতা প্লেয়র অনীমক্লা মতিং লৈনা শান্নরকখি অদুবু নদালগী অশোয়বা খরদা ফেদররনা অহেনবা পোইন্টশিং লৌবা ঙমখিদুনা সেট অদু ৬-৪ দা মায় পাকখি।

মায় পাকখিবা অসিনা ফেদররনা মহাক্কী ৯১শুবা এ টি পি টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ২৬শুবা মাষ্টর্স টাইটল লৌবসু ওইখি।

পনবা য়াই, রফেল নদালনা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা অনসীদেদ ইটালিয়ন ফাবিও ফোগনিনিবু ৬-১, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা মঙারকশুবা ওইনা ওপন অসিগী ফাইনেল চঙখিবনি।

মঙাশুবা সীদেদ স্পানিয়ার্দ অসিনা মতিং থোক্লা মহাক্কী শক্তি লৈরবা সার্ভশিং তৌখিদুনা ফোগনিনিগী মায়োক্তা ব্রিক পোইন্ট অমত্তা মায়োক্লবা তৌখিদে। মহাক্লা মহাক্কী ওপোনেন্টকী সার্ভ অদু প্রেসর মখাদা মিনিট ৯০ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা থমখি।

নদালনা অহানবা সেট অদু মিনিট ২৬ চঙনা শান্নখি অমদি সার্ভতা পোইন্ট মরিখক মাঙজখি অদুগা ফোগনিনিনা অনফোর্স ইরর ১৪ তৌখি।

ইটালিয়ন অসিনা অনীশুবা সেটতা নিংথিনা শান্নরকখি। অদুবু নদালগী মায়োক্তা কুইনা লেপ্পা ঙমখিদে। নদালনা সেট অদু ৭-৫ দা মায় পাকখি।

অমরোমদা, ফেদরর অমদি ক্রিগিওস অনীগী পূক্রিং হুনিঙাই ওইরবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা এক্সট্রাওর্দিনরি ওইরবা শুটশিং য়েনখি। ফেদররনা অহুমশুবা টাই ব্রেক অদু মায় পাকখিবদা শাওগল্লবা ক্রিগিওসনা মহাক্কী রেকেট অদু গ্রাউন্দদা অহুল্লক থোমখি।

ক্রিগিওসনা অহানবা সেটতা ব্রোক তৌদুনা ৪-৩ দা মাঙজিল থানা চৎখি অদুবু ফেদররনা অথুবদা ৫-৫ দা লেবেল মান্ননা পুরকখি। অদুবু ওষ্ট্রেলিয়ননা বোলশিং নিংথিনা হন্নবা হোৎনখ্রবসু ঙমখিদে।

ক্রিগিওসনা মেচ অদুদা রেকেটশিং লংথোকখি অমদি লুদবা ৱাহৈশিং ঙাঙখি। অদুবু মায়োক্লখিবা লম্বাবু নক্কৎপা ঙমখিদবনা মায়থীখিবনি।

# হোকি ৱর্ল্ড লীগ : ইন্দিয়ানা বেলারসপু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



ৱেষ্ট ভানকৌভর, এপ্রিল ০৩ :
ভন্দানা কাটারিয়ানা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোলনা ইন্দিয়ন ৱিমেন'স টিমনা মফম অসিদা চঙরিবা ৱিমেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী পুল এগী মখোয়গী অনীশুবা মেচতা বেলারসপু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়ন টিমনা মমাঙদা শান্নখিবা মখোয়গী ওপনিং মেচতা উরুগুৱেবু পেনালটি শুট আউটতা ৪-২ দা মায়থীবা পীখিবনি। ভন্দানানা মেচকী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা ফি গোল অমা চন্দুনা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবদা চাউনা মতেং পাংখি অমদি পুল এগী টেবলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখিদুনা সেমী ফাইনেল চঙনবগী খুদোংচাবা ফংখি।

মেচ হেক হৌখিবগা টিম অনীমক্লা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি অমদি অহানবা ক্বার্টরদা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লখিবা সাইদশিংদা এটেকশিং তৌনদুনা পেনালটি কোর্নরশিং ফংনখি। অদুবু টিম অমত্তনা গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখিবদা মখোয়গী অনীশুবা পেনালটি কোর্নর অমা মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা ফংখি। অদুবু মদুসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। অথুবা মতমদা বেলারসনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা পেনালটি কোর্নর অমা মেচকী মিনিট ২২ চৎপা মতমদা ফংখ্রবসু ইন্দিয়াগী গোল কিপর সভিটানা মহাক্কী হৈথোই-শিংথোইরবা পার্ফোমেন্স অদু উৎখিদুনা বেলারসকী পেনালটি কোর্নর অদু সেভ তৌখি।

অদুম ওইনমক ইন্দিয়ানা হাফ থারমদাই মেচকী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা ভন্দানানা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মসিনা টুর্ণামেন্ট অসিদা মহাক্কী অনীশুবা গোলসু ওইখি। ইন্দিয়ানা মখা তানা মাঙজিল থানা চৎনবগীদমক দিফেন্সিপকী হৈ-শিংবদু উত্তুনা শান্নরকখি। মখোয়না বেলারসকী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা অহেনবা গোলশিং চন্নবা হোৎনখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা পেনালটি কোর্নর অহুম ফংবা ঙমখ্রবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে।

বেলারসনা মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা ইক্বেলাইজ তৌনবা কোর্নরদগী গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু সাভিটানা মতিং থোক্লা পলগুম গোল পোষ্ট মমাঙদা লেপখিদুনা মায়োক্লখিবা বোল অদু সেভ তৌখিদুনা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবদা চাউরবা মতেং পাংখি।

# ৱিমেন'স এসিয়ন কপ ক্বালিফাইয়র্স : দি পি আর কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু ৮-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৩ :
ইন্দিয়ন ৱিমেন'স ফুটবোল টিমনা দি পি আর কোরিয়াগী পয়োংয়াংগী কিম টু সুং ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা এ এফ সি ৱিমেন'স এসিয়ন কপ ক্বালিফাইয়র্সকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেচতা যুম্বু দি পি আর কোরিয়াগী মখুৎতা ০-৮ দা মায়থীহৌদুনা নিংবা কায়না কেম্পেয়ন হৌখ্রে।

মেচ অদুদা হোম সাইদনা অয়াম্বা মতমদা দোমিনেট তৌনা চৎখি অমদি অয়াম্বা মার্জিনদা মায় পাকখি। মালেমগী তরাশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা দি পি আর কোরিয়ানা মেচ হেক হৌখিবগা অকনবা এটেক তৌদুনা ইন্দিয়াগী সাইদতা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অদুদা ফংখিবা কোর্নরদা ৱি জোং-শিমনা মেচকী মিনিট ৭ চৎপা মতমদা কাওখিবদা রি উন-য়োংনা চোংখৎলগা হেদিং তৌদুনা গোল চনশিনখিদুনা ১-০ দা লৈখি।

গোল চনখিবা মিনিট তরুক্কী মতুংদা ফোরৱার্দ রয়ি কয়োং-হয়াংনা পেনালটি এরিয়াদগী রি হয়াং-সিবনা খাইদোকখিবা বোল অমা ওক্লগা ইন্দিয়াগী গোল পোষ্টতা কাওশিনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থাহনখি।

ফিফা অন্দর-২০ ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপকী টাইটল লৌখিবা দি পি আর কোরিয়াগী টিমদা য়াওখিবা রি হয়াং-সিমনা মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিনখি। গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা টিম অসিমক্কী লেফট ৱিঙ্গর কিম ফয়োংনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোলকিপর পান্থোইবু নক্কৎলল্লগা গোল অমগা চনশিনখিদুনা দি পি আর কোরিয়ানা ৪-০ দা অহানবা হাফ ফাওবদা মাঙজিল থানা চৎখি।

কিম ৱাং-মিনগী সাইদ অসিনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা অদুগুম অনীশুবা হাফতসু মখা তানা শান্নরকখি। শান্নবা হেক হৌখিবা মতুং মিনিট অহুম লৈরগা ৱিনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা ইন্দিয়াগী অশালাতা দেবী লোইতোংবমনা বোক্স মনুংদা ৱিবু চিংথুখিবগীদমক পেনালটি অমা পীখি। মদুদা ৱিনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা কাওশিনখিদুনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওন্থোকখি।

মেচ লোইগদবা মিনিট তরানিথোইদা ঙাইরক্লবা মতমদা ৱিদগী লাকখিবা পাস অমদা কিম ফয়োং-হৱানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিনখি। মিনিট অনীগী মতুংদা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা সুং-হয়াং-সিমনা থংন-থংননা গোল অনী চনশিনখিদুনা মার্জিন চাউনা মায় পাকখি।

দি পি আর কোরিয়ানা হোং কোংগা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগনি। অদুগা ইন্দিয়ানা কোরিয়া রিপব্লিক্কা শান্নগনি।

# মিয়ামি ওপন : মিরজা-ষ্ট্রাইকোভানা ফাইনেলদা মায়থীহৌখ্রে

মিয়ামি, এপ্রিল ০৩ :
ইন্দিয়ন টেনিস ষ্টার সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী চেক পার্টনর বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা মফম অসিদা চঙখিবা মিয়ামি ওপনগী ৱিমেন'স দবলসকী সম্মিট ক্লাশতা অনসীদেদ জেইন্ট কিল্লরস কনাডাগী গাব্রিলা দাব্রোস্কি অমদি চিনাগী জু য়িফানগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

সানিয়া অমদি ষ্ট্রাইকোভানা মখোয় অনীগী অহুমশুবা টাইটল লৌনবা আশা তৌখিবা অদু নিংবা কায়না পুং অমা হেন্না শান্নখিবা মেচ অদুদা ৪-৬, ৩-৬ তা মায়থীহৌখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী মমাঙদা জু য়িফান অমদি ফাব্রোস্কিনা চপ মান্নবা কোর্টতা পার্টনর নৎত্রগা ওপোনেন্ট ওইনা অমুক্তা ফাওবা শান্নখিদ্রি অদুবু বি এন পি পরিবাস ওপনদদি পুন্না প্রেক্টিস তৌমিন্নখি।

ফাইনেল চঙদ্রিঙৈ মমাঙদা দাব্রোস্কি অমদি য়িফাননা নিপানশুবা সীদ অবিগেল স্পেয়র্স অমদি কাটারিনা স্রেবোটনিকপু মায়থীবা পীখিবগী মথক্তা টোপ ফোর সীদকী মনুংদা অহুমদি ফাইনেল চঙবগী লম্বীদা মায়থীবা পীরমখি। মেচ অদুদা দাব্রোস্কি অমদি জুনা দোমিনেট তৌনা চৎখিদুনা ইন্দো-চেকপু মায়থীবা পীখি। মখোয়না অহানবা ওইনা প্রেমিয়র মেন্দাটোরি টাইটল লৌবসু ওইখি।

নিংশিংবা য়াই, সানিয়া মিরজা অমদি বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ৱিমেন'স দবলসকী সেমী ফাইনেলদা মার্টিনা হিঙ্গিস অমদি চান য়ুং-জানবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

ইন্দো-চেক্কী জুরা অসিনা মার্টিনা অমদি চানবু ৬-৭ (৬/৮), ৬-১, ১০-৪ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা সীদ অসিনা সিদনি ইন্টরনেসনল টুর্ণামেন্টতা রন্নরস-অপ তাখিবা অদুগী মতুংদা ঙরাংগী ফাইনেল চঙখিবা অসিনা অনীরকশুবা ফাইনেল চঙবসু ওইখি। সিদনি ইন্টরনেসনলদা ইন্দো- চেকপু টিমিয়া বাবোস অমদি অনাষ্টাসিয়া পাভলয়ুচেঙ্কোভাবু মায়থীবা পীখিবনি।

ওপন অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা গাব্রেলা দাব্রোস্কি অমদি জু য়িফাননা অন্দ্রে হলাভাক্কোভা অমদি পেং শুআইবু ৭-৫, ৫-৭, ১০-৭ তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

# নেয়মারগী ১০০ শুবা গোল চল্লবসু রিয়েল মেদ্রিদনা বার্সেলোনাবু মায়থীবা পীখি



মেদ্রিদ, এপ্রিল ০৩ : নেয়মারনা মহাক্কী ১০০শুবা গোল চল্লবসু রিয়েল মেদ্রিদনা গ্রানাদাদা চঙখিবা লা লিগাদা সস্পেন্দ তৌখিবদগী শান্নবা য়াওখিদ্রবা লীওনেল মেসিগী বার্সেলোনাবু ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায়থীখিবা অসিনা বার্সেলোনানা রিয়েল মেদ্রিদতগী পোইন্ট অনী তাথনা লৈখ্রে।

অঙনবা মতমদা মেদ্রিদনা সান্টিয়াগো বার্নাব্যুদা শান্নখিবা মেচতা অলাভসপু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। মেচ অদুদা মেদ্রিদকী কারিম বেনজেমা, ইস্কো অমদি নাচোনা গোলশিং চন্দুনা টিমবু মমাঙ থানা পুখৎখিবদা ক্লবনা থাগৎখি। মেদ্রিদনা হৌজিক গেম অমা শান্ননবা মখুৎতা লৈরি অমদি টিম অনী অসিনা বানার্ব্যুদা মায়োক্লদুনা শান্ননবগীদমক চয়োল অহুমগী মতম লৈরি।

মেচ অদুদা রিয়েলনা অকনবা চেল্লেঞ্জ তৌদুনা বার্সেলোনাগী মায়কৈদা তকখৎখি। বার্সেলোনাগী সুপর ষ্টার লীওনেল মেসি য়াওদবগী খুদোংচাবা লৌদুনা রিয়েলনা খুদোংচাবশিং লৌনবা হোৎনখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা টুর্ণামেন্ট অমদা মেসিনা রেফ্রিগী মায়োক্তা লুদবা ৱাহৈশিং শিজিন্নদুনা ঙাঙখি হায়বগীদমক মেচ মরি শান্নদনবা সস্পেন্দ তৌখিবনি।

নেয়মারনা মহাক্কী টিমগীদমক মশক থোক্লা শান্নরক্তুনা পোষ্টতগী লাপ্পক্লা থাজিনখিবা বোল অদু নেট মনুংদা চঙখিদুনা গোল ওন্থোকখি। গোল অসিনা নেয়মারগী ১০০ শুবা গোলসু ওইখি। অদুগা মহাক্কী ১৭৭ শুবা মেচতা চনবা গোলসু ওইখি।

মেদ্রিদকী বোস জিনেদিন জিদাননা হায়খি, নুমিৎ হুম্নি লৈরগা শান্নবনা নংনা কৈদৌঙৈদসু মিনিট ৯০ গী মনুংদা মপুং ফানা শান্নবা ঙম্লোই। ঐখোয়গী প্রোব্লেম লৈবদগী নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদে অদুবু মখা তারকপদা খৃষ্টিয়ানো (রোনাল্ডো) না বোল ফংখি অমদি ইস্কোদা পাস তৌখি অমসুং মহাক্লা কন্ট্রোল তৌদুনা গোল চনখি। মসিগী টিম অসিনা তৌরিবা অসি মদুনি। পুংজা অমা হেক্তদা ঐখোয়না ওপোনেন্টপু শোকহনবা ঙম্মী হায়বসি ঐখোয়না খঙই হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

রিয়েলনা মেচকী মিনিট ১০ চৎপা মতমদা অশোকপা মায়োক্লখি। রাফেল ভারানেনা মহাক্কী ফৈগনগী শিংলিদা অশোকপা লৈখিবদগী মহাক্কী মহুৎতা কার্ভাজালবু থাজিনখি।

মমাঙদসু চপ মান্নবা মফম অসিদা রাফানা শোকখি। মসি অফবা অমদি নত্তে অমদি মসিনা থোইদোক্লা প্রোব্লেম ওইহল্লোই হায়না ঐখোয়না আশা তৌরি।

য়ুম্বুগী গোল অদু পুঙ্খায় অমগী মতুংদা দানি কার্ভাজালনা চনখিদুনা টিমগী খোঙজেল থুজিলহনখি।

# ফেদররনা মিয়ামি টাইটল লৌখিবদগী রেঙ্কিংদা হায়গৎখ্রে

পেরিস, এপ্রিল ০৩ : স্বিসকী গ্রেট রোজর ফেদররনা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মিয়ামি ওপনগী ফাইনেলদা রফেল নদালবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবা অদুদগী এ টি পি রেঙ্কিংদা মহাক্লা হান্না লৈরম্বা মফমদগী কাখৎলগা মরিশুবা মফমদা লৈখ্রে।

ফেদররনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী মফম অনী কাখৎতুনা মরিশুবদা লৈখিবনি। অদুগা নদালনা মফম অনী কাখৎলগা মঙাশুবা মফমদা লৈখি।

জপানগী কৈ নিশিকোরিনা মফম অহুম কুমথরগা তরেৎশুবদা লৈখি। নিশিকোরিনা মিয়ামি ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ফাবিও ফোগনিনিগী মখুৎতা মায়থীখিবনি।

ইনৌ নৌনা থোকখ্রবা এ টি পি রেঙ্কিংগী মকোক মথং তাখ্রবশিং অদুদি অহানবদা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মরে (পোইন্ট ১১,৯৬০), অনীশুবদা সার্বিয়াগী দোভাক জোকোভিচ (পোইন্ট ৭,৯১৫), অহুমশুবদা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা (পোইন্ট ৫,৭৮৫), মরিশুবদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেন্দরর (পোইন্ট ৫,৩০৫), মঙাশুবদা স্পেনগী রফেল নদাল (পোইন্ট ৪,৭৩৫), তরুকশুবদা কনাডাগী মিলোস রাওনিক (পোইন্ট ৪,৩৪৫), তরেৎশুবদা জপানগী কৈ নিশিকোরি (পোইন্ট ৪,৩১০), নিপানশুবদা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিক (পোইন্ট ৩,৩৮৫), মাপনশুবদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম (পোইন্ট ৩,৩৮৫), তরাশুবদা ফ্রান্সকী জো ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গা (পোইন্ট ৩,২৬৫), ১১শুবদা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস (পোইন্ট ৩,০১০), ১২শুবদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোব (পোইন্ট ২,৮৮০), ১৩শুবদা চেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিচ (পোইন্ট ২,৭৯০), ১৪শুবদা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন (পোইন্ট ২,৭০৫), ১৫শুবদা য়ু এস এগী জেক সোক (পোইন্ট ২,৫১০), ১৬শুবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওস (পোইন্ট ২,৪২৫), ১৭শুবদা ফ্রান্সকী লুকাস পৌলে (পোইন্ট ২,৩৭৬), ১৮শুবদা স্পেনগী রোবার্টো বৌটিষ্টা (পোইন্ট ২,১৯০), ১৯শুবদা স্পেনগী পব্লো কারেনো বুষ্টা (পোইন্ট ২,০২৫) অমদি ২০শুবদা জর্মনগী অলেকজেন্দর জেভরেব (পোইন্ট ২,০০৫) নি।

# শরাপোভানা ষ্টুর্টগাট গ্রান্দ প্রি টুর্ণামেন্টকীদমক শেম শারি



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৩ :
আইন্না থিংখ্রবা দ্রগ শিজিন্নরুবদগী মতম খরা টেনিস কোর্টতগী লাপথোক্লা লৈরুরবা মতুং কোর্টতা অমুক হল্লক্লবা শেম শাখ্রবী রসিয়াগী মারিয়া শরাপোভানা মহাক্কী দোপিংগী অথিংবা মতম হন্থহনখিবা অদুনা মহাক্কী অচুম্বা অদু তাক্লে অমদি মহাক্লা মতম খরা পোত্থারুবা অদুনা অহেনবা পাঙ্গল হাপ্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী জান্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা অথিংবা থমখ্রবা দ্রগ মেলদোনিয়ম শিজিন্নরম্বগীদমক হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী শরাপোভাবু ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না চহী অনীগী অথিংবা থমখি। অদুবু দ্রগ অসি মহাক্কী হকশেলগা মরী লৈননা চহী তরারোম দোক্তরগী পাউতাক মতুং ইন্না মহাক্লা শিজিন্নদুনা লাকখিবনি হায়না শরাপোভানা মহাক্কী অথিংবা অদু লৌথোকপীনবা নৎত্রগা অথিংবা মতম হন্থহনবীনবা কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) তা ৱাকৎখিবদগী মহাক্কী অথিংবা অদু থা ১৫ দা হন্থখি। মেলদোনিয়ম দ্রগ অসি ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না কুমজা ২০১৬ কী জান্যুৱারী ১ দগী অথিংবা থমখিবনি।

গ্রান্দ স্লাম মঙারক্কী মপু ওইখ্রবী শরাপোভানা হায়খি, ঐগী শান্নবগী কেরিয়র লোইগদবা মতম কুইশিল্লক্ত্রে। অসিগুম্বা ঐগী কেরিয়রগী তাঙ্কক অসিদা ঐনা পাম্বা মওংদা শান্নদুনা তাঙ্কক অসি লোইশিনবা পাম্মী। মসিমক্তনা ঐনা অচুম্বা অদু ফংনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ষ্টুর্টগাট গ্রান্দ প্রিগী ওর্গনাইজরশিংনা ৱাইল্ড কার্দ পীখ্রবী শরাপোভানা এপ্রিল ২৬ তগী হৌগদৌরিবা গ্রান্দ প্রি অসিগী নীনি চনবা নুমিৎতা মহাক্কী অথিংবা অদু লোইরগদবনা নুমিৎ অদুমক্তদা টুর্ণামেন্টতা শরুক য়াদুনা মহাক্কী অহানবা কম্পিটিটিব মেচ শান্নগনি।

পনবা য়াই, শরাপোভানা ষ্টুর্টগাট গ্রান্দ প্রিগী ওর্গনাইজরশিংনা ৱাইল্ড কার্দ পীখিবদা অতোপ্পা প্লেয়র কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরিবনি। স্লোভাকিয়াগী টেনিস প্লেয়র দোমিনিকা সিবুলকোভানা শরাপোভাদা ৱাইল্ড কার্দ পীবগী থৌওংবু য়ানিংদে হায়না তশেং তশেংনা ফোঙদোকখি। মহাক্লা অতোপ্পা প্লেয়রশিংগা ৱারী শানবদসু কনামত্তনা য়ানিংদে হায়না ফোঙদোক্লরকখি হায়বা ৱাফমসু থমখিবনি। দোপিংদা চেন্নবা শান্নরোয় খুদিংমক ৱাইল্ড কার্দ পীবগী মহুৎ মকোক্তুগী হৌনা শান্নহনগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।